# কিপচোগেনা পুং ২গী মনুংদা মরাথন চেনবা ঙমখ্রে

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

ভেয়ন্না, য়ুরোপ্তা লৈবা ওষ্ট্রিয়াগী কোনুংনি, কোনুং অসি দানুব তুরেলগী মপান্দা লৈ। সহর অসিদা কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ১২দা কেনিয়াগী ইদিউদ কিপচোগেনা ইন্টরনেসনল মরাথন লমজেলদা কিলোমিটর ৪২.১৯৬ শাংবা লমজেল অদু পুং ২গী মনুংদা চেনবা ঙম্বা অহানবা মরাথন চেনবা নুপা ওইখি। মহাক্না কুমজা ২০১৮গী সেপ্টেম্বর ১৬তা বর্লিন্দা শরুক য়াখিবা মরাথন লমজেলদা লমশাং অসিবু পুং ২ মিনট ০১ সেকেন্দ ৩৯দা চেনবা ঙমদুনা মালেমগী রেকোর্দতি থুগায়খি। তৌইগুম্বসুং লমশাং অদু পুং ২গী মনুংদা চেনবদি খজিক্তংদা ঙমখিদে। মহাক রিও-দি-জেনেরিওদা কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্কী মরাথন লমজেলদা মকোক ওইখি। ওলিম্পিক্কী মরাথন অদুদা মহাক্কী নক্নবা লম্বাদি অনীশুবা তাখিবা ইথোপিয়াগী ফেয়িসানি, অহুমশুবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী গালেপ রুপনা তাখি। মহাক্না কুমজা ২০১৭তা ইটালিগী মোনজা সহরদা পাঙথোকখিবা লমজেলদা লমশাং অসিদা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্নবা হোৎনখিবদা মায় পাকখিদে।

মহাক্না ওক্টোবর ১২দা ভেয়ন্নাদা মায় পাক্না চেনখিবা অদু পেস মেকর ৪১গী মতেং লৌখি। লমজেল শাংলপ তৌবা অমদি অশাংবশিংদা শরুক য়ারিবা লমজেল্লোয়শিংনা পেস মেকরশিংগা চেনমিন্নবা য়াই। মখোয়না অপাম্বা স্পীদ অদু পেস মেকরদা চেলহল্লগা মখোয়না পেস মেকর অদুগী মতুং ইন্দুনা চেনমিন্নগদবনি। করিগুম্বদা পেস মেকরশিং অদু অশিন অরাং তৌরিবশিং অদুনা য়াম্লবা শেনফম পীদুনা নেক্লগা চেলহল্লি। পেস মেকরশিংগী মতুং ইন্দুনা চেনবা মতমদা লমজেল্লোয়শিংগী রেকোর্দ হেনগৎহনবা ঙম্মী। মসিনা লমজেল্লোয়শিং অসিগী মীংচৎ পুরকপা খক্তা নত্তনা লমজেল অদুবু শিল-লাংলিবা ওর্গনাইজর অমদি স্পোন্সর তৌরিবা কম্পেনি, কোওপরেট হাওসকী মমীং মালেমদা মশক তাকপা ঙম্মী।

কিলোমিটর ৪২.১৯৫ শাংবা লমজেল অদুবু পুং অনীগী মনুংদা হায়বদি পুং অনী য়ৌদনা চেনবা ঙম্নবা কিলোমিটর অমদা মিনট কয়াগী চাংদা চেনগদগে হায়বগী খোঙজেল অদু হান্না হোত্তোক্তুনা খঙদোক্লগা প্রেক্টিশ তৌরম্মী। মহাক্না কুমজা ২০১৮গী সেপ্টেম্বর ১৬তা বর্লিন্দা পুং ২ মিনট ০১ সেকেন্দ ৩৯দা চেনখিবা মতমদা পুংদা কিলোমিটর ২০.৮১১গী চাংদা চেনখি। মহাক মশাগী রেকোর্দ অসি কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ১২দা থুগাইখিবদা মালেমদা তৌঙমদবা থবক অমা ওইরবসু ৱর্ল্ডগী ওফিসল রেকোর্দ ওইবদি য়াদে। মহাক্না কুমজা ২০১৮দা চেনখিবা রেকোর্দ অদুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ ওইনা অদুমক লৈরি। হন্দক্তা ওক্টোবর ১২গী লমজেল অদু আই এন ঈ ও এসনা স্পোন্সর তৌখিবা মরম্না মহাক্কী রেকোর্দ অদুবু আই এন ঈ ও এস ১:৫৯ চেলেঞ্জ হায়না খঙনরি। স্পোন্সর তৌরিবা কম্পেনি অসিনা লমজেল্লোয় ৪১ খক য়াম্লবা শেনফম পীদুনা মহাক্কী পেস মেকর ওইনবা নেকখি। মরমদি লমজেল অশাংবা অমদি ময়ায় ওইরপ শাংবশিংগী অথোয় অহেন তান্নবদা পেস মেকরশিং অসি য়াম্না মরু ওইবা মচাক অমা ওই।

পেস মেকরগী মথৌদি লমজেল্লোই অমগী মমাঙদা চেন্দুনা মহাক্না চেল্লিবা চাং অদুদা লমজেল্লোয় অদু ইন্নহনবনি। মপাঙ্গল, স্পীদ অমসুং দম খাক্তুনা পেস মেকরগী মতুং ইল্লিবা এথলেট অদুনা লমথুংফম য়ৌরমদাইদা মমাঙদা চেল্লিবশিং অদু হেনগৎতুনা লমথুংফম ফাওবা য়াঙনা চেনশিল্লক্তুনা মকোক থোংবা তান্নবনি।

হন্দক্কী লমজেল অদুদা শরুক য়াবিনবা নেকখিবা পেস মেকর অদুগী মনুংদা মালেমদা মমিং লৈরবা লমজেল্লোয় কয়ামুক য়াওরি। মখোয়গী মনুংদা শিংথানবা য়ারিবদি হান্নগী মিটর ১৫০০ অমসুং মিটর ৫০০০গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন বর্নান্দ লেগোটনি। মহাক মরাথন্দা পুং ২গা সেকেন্দ ১৭তা লমথুংফম য়ৌবা ঙম্বা লমজেল্লোয়নি। অতোপ্পশিংগী মনুংদা সুদান মচা অমেরিকাদা খুন্দ্রাখ্রবা কুমজা ২০০৮গী বৈজিং ওলিম্পিক্তা অমেরিকান টিমগী ফ্লেগ বিয়ারর ওইখিবা, ওপনিং সেরেমোনি হৌদোকপগী নুমিত্তা খ্বাইগী মমাঙদা চৎখিবা লোপেজ লামোঙ, নোরৱেগী মচিন মনাও অহুম চহী ২৭শুরবা হর্নিক, চহী ২৫শুরবা ফিলিপ অমসুং অহুমশুবা জেকোব ইনগেব্রিজসেন, চহী ১৯নি। হন্দক্তা দোহাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশপ্তা মিটর ১৫০০গী লমজেলদা শরুক য়াখিবা রোনাল্ড মুসাগালা অমসুং মেট সেত্রোৱিট, অতৈশিংদি জপানগী কোটা মুরায়ামা, ওষ্ট্রেলিয়া মচা নিকোলাস রোটিকনচিংবনি।

মহাক্না লমজেল অদু পুংদা কিলোমিটর ২১গী চাংদা চেনখ। কিলোমিটর অমদা মিনট ২.৮৩গী চাংদনি। মসিদি মিটর ৪০০গী লমজেলদা সেকেন্দ ৬৮.৮কী খোঙজেলনি। মালেমগী এথলেটিক্সকী মপু ওইরিবা ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স এসোসিয়েসন্না মহাক্না চেল্লিবা লমজেল অদু আইনগী ৱাংমদনি, রুল থুগাইবনি হায়দুনা রেকোর্দ অদু ওফিসিয়েল ওইহনখদে। রেকোর্দ অসি ৱর্ল্ড রেকোর্দ বুক্তা চনবা য়াখিদ্রে। মহাক্কী লমজেল অদু অথোয় অহেন তান্নবা নত্তে, মতোমতমক চেনবনি, পেস সেটরশিং অদুসু শিন্দোক শিঞ্জিন তৌবনি হায়না ফেদরেসন অসিনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ ওইহনখিদবনি।

কুমজা ২০০০গী বর্লিন মরাথন্দা সাইমোন বিৱোত্তপু পেস মেকর ওইনা নেক্লম্মী অদুবু মহাক্না লমজেল অদু লমথুংফম হান্না য়ৌদুনা লমজেল অদুগী মকোক ওইখি। চহী অহুম লৈরগা কুমজা ২০০৩দা বর্লিন মরাথন অসিমক্তদা কেনিয়াগী পাল তার্গেটনা সম্মী কোরিরবু পেস মেকর ওইনা নেকখি। মদুদা পাল টার্গেটনা অনৌবা রেকোর্দ অমা পুং ২ মিনট ০৪ সেকেন্দ ৫৫দা থমখি অমদি পেস মেকর সম্মী কোরিরনা সেকেন্দ ১ চোম্থনা থুংলদুনা অনীশুবা তাখি।

কিপচোগেনা হায় মদুদি ঐবু পূক্নিং থৌগৎপীবগী ৱাহৈ-ৱাতা, পাউ কয়া মালেমগী মফম কয়াদগী পীবিরকখি। কেনিয়াগী প্রসিদেন্টনসু মঙোন্দা ফোন্দা মপূক্নিং থৌগৎপা ৱাহৈ-ৱাতাশিং হায়বীরকখি হায়রি। মহাক্না হায়বদি নুমিৎ অদুগী পুং ৪.৩০দা মহাক্না য়াহৌরকপগী মতমদগীনা অয়ুক পুং ৮ মিনট ১৫ লমজেল থাবা মতম ফাওবদা খ্বাইদগী চিনবা মতম ওইখি। মঙোন্দা ফোন তৌরকখবশিং খুম্বদা অৱাবা অমা ওইখি। মহাক্কী পুৱারীদা লৈহৌরগদবা মায় পাকপগী থৌদোক অসিবু কুমজা ১৯৫৪গী মে ৬তা ইংলেন্দগী রোজর বানিষ্টরনা চহী ৬৫গী মমাঙদা মাইল অমগী লমজেলবু মিনট ৩ সেকেন্দ ৫৯.৪দা চেন্দুনা লমশাং অসিবু মিনট ৪গী মনুংদা মাইল অমা চেনবা ঙমখিবা অদুগা অমতনি হায়না মহাকপু থাগৎপা ফোঙদোক্নরক্লি।

মহাক ৱর্ল্ড মেজর মরাথনগী চেম্পিয়ন নিপাল্লক ওইখ্রে। মহাক্না কুমজা ২০১৬কী লন্দন মরাথন্দা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইগদবা সেকেন্দ ৭ খক্তং ঙাইরমখি। অদুবু মহাক লন্দন মরাথনগী হান্নগী রেকোর্দ অদুদি থুগাইখি। ●




# চহীসিগী নোবেল প্রাইজ

**- মোইরাংথেম দিনকান্ত -**

হন্দক চহীগী ওইনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা লেমজনীংঙাই ওইরিবা নোবেল প্রাইজগী মনাশিং ফংগদবা মীওইশিং নোবেল কম্মিটিশিংনা লাউথোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা লম্ তরুক্তা পীগদবা মনাশিং অসি ওক্টোবর ৭তগীনিনা ১৪ ফাওবগী মনুংদা লাউথোকখবনি। ইকোন কোনবা ওইনা ইকোনোমিক্স প্রাইজ লাউথোক্তুনা চহীসিগী নোবেল কম্মিটিশিংনা নোবেল লোরিয়েটশিং খনবগী থবক থৌরম পূম্নমক লোইশিনখ্রে।

***নোবেল প্রাইজ মেদিসিন :***

হন্দক চহীগী নোবেল মেদিসিন প্রাইজ অসি সাইন্টিষ্ট অহুম্না ফংলগনি। ৱিল্লিয়ম জি কেলিন (ন্যু য়োর্ক সিটিদা পোকখি অদুগা দিউক য়ুনিভর্সিটিদা বি এস, এম দি তম্লকখি, হৌজিক্না হর্বার্দ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ওইরি), পিটর জোন রেটক্লিফ (কুমজা ১৯৫৪গী মে ১৪দা মোরকেম টাউন ইংলেন্দদা পোকখি, হৌজিক্না ফ্রান্সিস ক্রিক ইন্সটিট্যুত্তা ক্লিনিকেল রিছার্সকী দিরেক্টর ওইরি। গ্রেগ সেমেঞ্জা (জোন হো পকিন্স ফোরসেল এঞ্জিনিয়ারিংদা ভাস্কুলার রিছার্স প্রোগ্রামগী দিরেক্টরনি, হর্বার্দ য়ুনিভর্সিটিদা বি এ, য়ুনিভর্সি ওফ পেন্সিলবানিয়াদা এম দি অমসুং পি ঐচ দি তৌরকখি। সাইন্টিষ্ট অহুমসিনা নোবেল মেদিসিন প্রাইজ ফংমিন্নরগনি।

***নোবেল প্রাইজ ফিজিক্স :***

ফিল্লিপ জেমস ইদৱিন পিবলস (চহী ৮৪ শুরবা কানাদিয়ান, অমেরিকান্নি। য়ুনিভর্সিটি ওফ মনিতোবাদা বি এস, প্রিন্সেটোন য়ুনিভর্সিটিদা এম এস, পি ঐচ দি তৌরকখিবা সাইন্টিষ্ট অসিনা চহী অসিগী নোবেল ফিজিক্স প্রাইজ তঙ্খাই অমা ফংলগনি। তঙ্খাই অমনা মিসেল মেয়র (য়ুনিভর্সিটি ওফ লোসান, য়ুনিভর্সিটি ওফ জেনেবাদা এম এস অমসুং পি ঐচ দি তৌরকখি) অমসুং দিদিয়র ক্বেলোস (প্রোফেসর, য়ুনিভর্সিটি ওফ কেমব্রিজ, য়ুনিভর্সিটি ওফ জেনেবা) না ফংমিন্নরগনি। জেমস পেবলসনা কোসমোলোজিদা মিসেল মেয়র অমসুং দিদিয়রনা এক্সোপ্লানেট পুথোকপগী পীগদবনি।

***নোবেল প্রাইজ কেমিষ্ট্রি :***

লিথিয়ম আইওন পুথোকপগীদমক সাইন্টিষ্ট অহুম্না চহীসিগী নোবেল কেমিষ্ট্রি প্রাইজ ফংলগনি। অকিরা য়োসিনো (চহী ৭১শুরবা জপানিজ অমনি। অসাহি কাসৈদা থবক তৌরি, মৈজো য়ুনিভর্সিটিদসু প্রোফেসর ওইরি), জোন বি গুদইনফ (খ্বাইদগী চহী য়াম্লবা অহল ওইনা নোবেল প্রাইজ ফংবা মীওইনি, চহী ৯৭শুরে। অমেরিকাগী ওষ্টিন সিটিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাসতা এঞ্জিনিয়ারিংগী কোক্রেল চেয়র ওইরি) অমসুং এম ষ্টনলি ৱিত্তিংহাম (বৃটিশ অমেরিকাননি, ন্যু কোলেজ ওক্সফোর্দতা বি এ, এম এ, দি ফিল তৌরকখি, হৌজিক ন্যু য়োর্ককী বিংহামতন য়ুনিভর্সিটিদা প্রোফেসর ওইরি)। মখোয়না শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর ৯৭১,০০০গী শেনফম য়েন্নগনি।

***নোবেল লিটেরেচর প্রাইজ ২০১৮/২০১৯ :***

হৌখিবা চহীগী নোবেল লিটেরেচর প্রাইজ লাম্থোকখিদবনা মরম ওইদুনা হন্দক চহী অসিদা পূন্না লাউথোক্লে। পোলিস রাইটর ওলগা টোকারজুক্তা (পোলেন্দদা কুমজা ১৯৬২গী জন্যুৱারী ২৯দা পোকখি) না কুমজা ২০১৮গী নোবেল লিটেরেচর প্রাইজ ফংলনি। মহাক্কী লমায় ৯০০ পানবা 'দি বুক্স ওফ জেকোব" কুমজা ২০১৪দা ফোঙখিবা লাইরিক অসিদা পীবনি। মীওইবদা য়াম্না ইথিল পীবা থবক্কীদমক ইকায়খুম্নবনি হায়না স্বিদিস একাদেমিনা কুমজা ২০১৯গী নোবেল লিটেরেচর প্রাইজ অসি পিটর হেন্দকিদা পীরগনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী নোবেলিষ্ট, প্লেরাইট, ফিল্ম দিরেক্টর, ট্রান্সলেটর অমসুং স্ক্রিন রাইটরনি। ওষ্ট্রেলিয়ান নেস্ত্রোই থিএটর এৱার্দসু ফংখ্রে।

***নোবেল পিছ প্রাইজ :***

মতম শাংনা ইথিওপিয়াগী য়ূমলোন্নবা লৈবাক এরিত্রিয়াগী ঙমৈখগী ৱাথোক লোইশিন্নবা হোৎনবগীদমক নোরৱেজিয়ান নোবেল কম্মিটনা ইথিওপিয়ান প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদতা কুমসি চহীগী নোবেল পিছ প্রাইজ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মশাগী চহী ৪৩খক্তা ঙাইরিবা অবি অহমদনা তেল্লবা মতমদা য়াম্না মরুওইবা অওনবা কয়া পুরকখিববু নোরৱেজিয়ান নোবেল কম্মিটিনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মালেমদা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিং ঙমখৈগী ৱাহৌদগী নে না তাদনা অচৌবা লালহৌ থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা অসিগুম্বা ৱাহৌদা ৱারোইশিন পুরকপগীদমক নোবেল পিছ প্রাইজ পীরিবসি কম্মিটিগী অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না লৌই।

***নোবেল ইকনোমিক্স প্রাইজ :***

লায়রবদা ষ্টদি তৌবগীদমক ইকনোমিক্স প্রাইজ অসি ইন্দিয়াদগী হৌখিবা অভিজিট বেনর্জি য়াওনা মীওই অহুম্না ফংলগনি হায়না ষ্টোকহোম স্বিদেন্দগী লাউথোরকখ্রে। অভিজিট বেনর্জি (কুমজা ১৯৬১গী ফেব্রুৱারী ২১দা মুম্বাই, মহারাষ্ট্রদা পোকখি। ইন্দিয়াদা বি এস সী, এম এ তমখিবা হর্বার্দ য়ুনিভর্সিটিদা পি ঐচ দি তৌখি, হৌজিক্না অমেরিকাগী সিটিজেন ওইখ্রে), ইষ্টর দফ্লো (১৯৭২দা পোকখি, মহাক অনীশুবা নুপী অমসুং খ্বাইদগী নৌবা ইকনোমিক্স সাইন্সতা এৱার্দ ফংবা ওইরে) অমসুং মাইকেল ক্রেমের (হর্বার্দ য়ুনিভর্সিটিদা থবক তৌরি, বি এ, এম এ, পি ঐচ দিসু হর্বার্দ য়ুনিভর্সিটিদা তৌরকখি।) মখোয়না মালেমগী লায়রবা মুত্থৎনবগী এক্সপরিমেন্ট পুথোকপগী মনাসি পীরে।

স্বিদেনগী কেমিষ্ট, এঞ্জিনিয়র, ব্যুজিনেসমেন, ইনবেন্টর অমসুং ফিলান্থ্রোপিষ্ট অলফ্রেট নোবেলনা দাইনামাইট পুথোক্লম্ববু শকখঙবা ওইনা মহাক্কী মমিংদা কুমজা ১৮৯৫দগী নোবেল প্রাইজ শেম্বা হৌরকখি। কুমজা ১৯০১দগী নোবেল প্রাইজ পীবা হৌখি। নোবেল প্রাইজশিং অসি অলফ্রেট নোবেলগী লৈখিদবগী নীংশিং কুমওন নুমিৎ দিসেম্বর ১০দা ষ্টোকহোম স্বিদেন্দা লাম্থোক্কনি। পিছ প্রাইজনা ওস্লোদা পীগদবনি। অচৌবা সেরমনি অমগা লোয়ননা পাঙথোক্তুনা পীগনি। পনবা য়াবদি, হৌজিক ফাওবদা মালেমগী খ্বাইদগী অঙাং ওইনা নোবেল প্রাইজ ফংবা ঙম্বসি পাকিষ্টানগী মলালা য়ুসুপজাইনা নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখিবসিনা ওইরি। পাকিষ্টান্দা নুপীমচাশিং লাইরিক তম্বা থিংবগী মায়োক্তা মলালানা খোঙজং চংশিনবগী ফংখিবনি।

মলেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা থেংনরিবা অৱাবদি নেচরেল দিজাষ্টর, সুইসাইট বোম্মীং অমসুং মীরক্তা গন ফায়র তৌবসিনি। মণিপুরগীনা তোঙান তোঙানবা ঙমখৈগী ইস্যু, আই এল পি, এন্টি ট্রাইবেল বিলগী, নেসনল হায়ৱেশিংগী ফীভম, লৈরক খুল্লকশিংগী শেমজিন্দবা/কয়লা থাদবা লম্বীশিং, অফস্পাগী, লালহৌবগী, বন্দ, ব্লোকেদ অমসুং নুপীদা মীওৎ মীনৈ তৌবগী থৌদোকশিংনা লমদমসিদা তংদু লৈতানা হিংজবা ঙমদ্রি। ঐখোয়না শীজিন্নরিবা পোৎচাকশিং অমসুং মহৈ-মশীন তম্বগী মেথদশিং, ফোর্মুলাশিং অসিসু অতোপ্পা লমগী মীশিংনা হান্না পুথোকপা আইদিয়াশিংনা অয়াম্বনি। অদুনা লমদমসিগীসু চাওখৎনবা অওনবা পুরক্নবা অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা নোবেল প্রাইজ ফংহন্নীংই। ●




Olga Tokarczuk Literature 2018 — Petre Handke Literature 2019 — Abiy Ahmed Ali Nobel Peace Prize 2019

**ঢাম্প্সর্প/খোঙ য়াম্না তোয়না হাম্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, অমাংথোঙদা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা, থাও-মোরোক চাবা য়াদবা, পুক য়েকপা, খোঙ হামনীংলগতা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ য়াম্না তোয়না হাম্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোঙ হেক্তা হামনীংবা, খোঙ হাম্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, হকচাংদা চোকথ-ৱান্থরগতা লৈবা, পাঙ্গল শোন্থরকপা, শূবা চৎপা য়াম্না ঙমদবা, পুক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হামনীংলগতা লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, চিঙাক কন্ট্রোল তৌরবা কান্দা ঈ তাবা অদু ফখিবা, শা-ঙা, থাও-মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা ঈ তারকপা অমদি অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পুকচেপ নাবা, অমাংথোঙদ ব্লেদনা লেনবগুম্না থুপ্লা অমদি শাবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা থুনা চৎপা, খোঙয়া শাবা, কোক লূম্বা অমদি ঙাওবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাং নাবা, য়াংলেন শরূদা চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/4248/23 — *থাগৎচরিবা :* **W. Ratan Singh,** Konthoujam

S3
STEP TO SURE SUCCESS COACHING CENTRE
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION OPEN FOR 2-MONTHS REVISION COURSE
CLASS STARTING FROM 21ST OCTOBER, 2019
CLASS-X : MATHS, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE, ENGLISH AND MANIPURI
CLASS-XII : MATHS, PHYSICS, CHEMISTRY, BIOLOGY, ENGLISH AND MANIPURI
CLASS TIMING -
MORNING : 4:30 - 7:30 A.M. & EVENING 4:30 - 8:00 P.M.
FEATURES :
- RUN BY GUEST WEL-KNOWN FACULTIES
- SEPARATE CLASSES FOR CBSE, BOSEM & COHSEM
- MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
- MEGA TEST SERIES
- VAN SERVICES & HOSTELS FOR BOTH BOYS & GIRLS
For more details please contact # 9856331259
* DON'T MISS IT *
*LIMITED SEATS ONLY*
HL-B/5692/25-29sept.,01-23oct (alt)

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৬

১। ঐখোয়গী সনামহী লাইনীংদদি লাইনীংহল ইবুংঙো, নাউরিয়া ফুলোগী মমিং মুৎপা য়াররোইদবা ময়েক্না ইদুনা লৈরে।
(ক) লাইনীংহল অসি শোক কয়াদা পোকখিবগে?
(খ) লাইনীংহল অসিনা পোকখিবা খুনদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "মৈতৈগী রোমান্টিক কবিশিংগী উবা ঙমদ্রবা নুংশিবগী সংসার অমবু মশক মুন্না খঙখিবা কবিদি লৈতান্থেম রাম সিংহ মতোমতনি।" ৱাফমসি কবি অসিগী উপন্যাস অমদি শৈরেংশিং য়েংলগা ক্রিটিক অমনা হায়রিবনি। রাম সিংহগী উপন্যাস, 'জাৎ ওনবা' শোক কয়াদা ফোঙলকপনো?

৩। 'ঙাইখো মমা ঐ লোইনা খঙই, তুংদা থোক্লগদবা পূম্নমক খঙই, নঙনা খল্লিবদুসু।" ৱাফম অসিনা 'চেকখায়রবা জেলগী চেকপল' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "নুপীদি/থেন্দুনা থম্বা পোৎশক নত্তে/...পূক্নিং তপ্পদা ঈশিংনি/অচাকপা মৈরীবু মুৎলিবা।" পরেংশিং অসিনা অঙোম সরিতাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "করম্বা য়ুগকী কাউখ্রবা অহিংদা/মঙখিবা মঙগী মমিনো/ওৎলরি ঐবু তত্তনা মানা।" পরেংশিংসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।